# সিরিয়ানা কেমিকেল খূৎলায় শীজিন্নখিবগী মতাংদা থীজিনবা থীংনবা রসিয়ানা ভিটো শীজিন্নখ্রে




ন্যু য়োর্ক, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সি) : সিরিয়াগী রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা খান সৈখৌন টাউন্দদা কেমিকেল খূৎলায় শীজিন্নদুনা এটেক তৌখিবগী মতাংদা থীজিল্লিবা মিসন অমগী মেন্ডেট রিন্যু তৌনবা ঙরাং ভোট লৌনবদা রসিয়ানা খোঙথাং অদুবু ভিটো তৌখ্রে। কেমিকেল খূৎলায়শিং থীংনবা শেম্বা জোইন্ট য়ু এন ওর্গনাইজেসনগী মেন্ডেট নবেম্বর থাখায়দা লোইগদবনি।

জোইন্ট ইনভেষ্টিভেটিভ মেকানিজম (জে আই এম) হায়না খঙনবা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং ওর্গনাইজেসন ফোর দ প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱেপন্স (ও পি সী দব্লিয়ু) গী ইনভেষ্টিগেসন অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৫দা মেন্বর ১৫গী য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা মোত অমত্তা ওইনা শেমখিবনি অমসুং মমাং চহী ২০১৬তা রিন্যু তৌখি।

এপ্রিল ৪দা খান সৈখৌনদা চথখিবা এটেক অদু কনাগী খূৎ ওইগদগে হায়বগী মতাংদা জে আই এমনা ওক্টোবর ২৬তা রিপোর্ট অমা পুথোক্কদবনি। রসিয়ানা মেন্দেট শাংদোকপগী মতাংদা ভোট থাদদ্রিঙৈগী মমাঙদা জে আই এমগী রিপোর্ট অদু খন্নবা পামখি।

রিপোর্ট অদু ফোঙলবা মতুং অমসুং ওক্টোবর ২৬কী মতুংদা ঐখোয়না মদু খন্নরগা জে আই এম শাংদোকপদা মায় ওনশিনগনি হায়না য়ু এনদা লৈবা রসিয়ন অম্বেসেদর ভাসিলি নেবেঞ্জিয়াগী ৱারোল পল্লদুনা ইন্দিপেন্দেন্টনা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক মহাক্না ভোটকী মতম য়ৈথোক্লবা হায়জখিবা অমদি মায় পাকখিদে। রসিয়া অসি সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ভিটো পৱার এক্সর্সাইজ তৌবা ঙম্বা লৈবাক মঙাগী মনুংদা অমনি।

অমরোমদা রসিয়ানা প্রোব অদুগী মায়োক্তা ভিটো শীজিন্নখিবগী থৌওংবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কন্দেম তৌখ্রে। কেমিকেল খূৎলায়শিং মখা তানা শীজিন্নবগীদমক্তা অশরফকী রেজিমবু পনিসমেন্ট ফংহন্নবা হোৎনবা খুদিংমক অথিংবা পীগনি হায়বা রসিয়াগী ফীরেপ অসি লৈবাক অসিনা অমুক হন্না উংখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সত লৈবা য়ু এস অম্বেসেদর নিক্কি হেলিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

তোঙানবা ও পি সী দব্লিয়ুগী ফেক্ট ফাইন্ডিং মিসন অমনা মীওই ৮৭ শিহনখিবা এটেক অদুদা অথিংবা থমখিবা নর্ভএজেন্ট সরিন শীজিন্নখি হায়না ৱারেপ তাখি। এটেক অদুগী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা সিরিয়ন এয়র ফোর্সশিংগী সেরট এয়রফিল্ডদা শাথিরবা এয়রষ্ট্রাইক চথখি। এয়রপোর্ট অদু কেমিকেল এটেক পাঙথোকখিবা ৱার প্লেনশিংদুগী বেজ ওইরম্বা য়াই হায়না থাজবদগী এয়রপোর্টতুদা এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবনি।

# কর্দশিংনা রেফরেন্দমগী রিজল্টশিং চৎনহন্দবগী ৱাফম বাঘদাদতা হৌদোকখ্রে



বাঘদাদ, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সি) : কর্দিষ্টান রিজনেল গভর্ণমেন্টনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নীংতম্বগী রেফরেন্দমগী রিজল্টশিং চৎনহন্দবগী ৱাফম ওফর তৌখিবগা লোয়নন্না ক্রাইসিস অদু মিলিটরিগী পান্বেশিং শীজিন্নবগী মহুৎতা দাইলোগ চথরগা লোইশিন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না বাঘদাদতা হৌদোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং ইরাকি মিলিটরি স্পোক্সমেন অমনা কর্দশিংনা পায়শিল্লিবা টেরিটরি হন্দোক্লবগী মিলিটরি কেম্পেইনদি মখা তানা চথখিগনি হায়খ্রে। কর্দিষ্টান রিজনেল গভর্ণমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মখা তানা মীশি মীনা অমসুং অমাং অতা থোকহন্দনবা মখোয়না সিজফাইঅর অমা প্রপোজ তৌখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা ইরাকি গভর্ণমেন্টগী ফোর্সশিংনা থাও মরাং কায়না থোকপা কির্কুক সিটি অমসুং কর্দশিংনা কন্ট্রোল তৌবা অতৈ এরিয়াশিং পায়শিনখিবদগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্নরকখি। মদু লমদম অদুবু বাঘদাদতগী মনীং তম্না লৈনবা পাঙথোকখিবা কর্দশিংগী ভোট অমগী মতুংদা থোক্লকখিবনি।

মখা তানা লাল শোক্লবনা নাকল অমৎতা মায় পাকপা ঙম্লোই, তৌইগুম্বসুং মদুনা লৈবাক অদুদা কাংখোং চাইবা, মথোং মরম খঙদবা ফীভম অমা লাকহনগনি হায়না গভর্ণমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমনা মখা তাখি।

ইরাকি ফোর্সশিং অমসুং পেসমর্গা ফোর্সশিংগী মরক্তা হৌখিবা ওক্টোবর ১৬তগী এটেক অমসুং মুক্নবগী ফীভম অমা হৌখি। মদু মখা তানা চথবদা মীশি মীনা অমসুং অমাং অতা কয়া থোক্লিংঙাই ওই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

ইরাকি গভর্ণমেন্টনা কর্দশিং মনীং মখা তম্না লৈনবগী ভোট অদু লোগী মায়োক্তনি হায়না লৌবগা লোয়নন্না ক্রাইসিস অদু লৈখাই তানবা দাইলোগ চথবগী ৱাফম হৌদোকখি।

ইরাকি প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল-অবাদিনা হৌখিবা থাদা কর্দিষ্টান রিজনেল গভর্ণমেন্টনা রেফরেন্দমদুগী রিজল্টশিং কেন্সেল তৌনবা দিমান্দ তৌখি।

মহাক্না হায়খি, ভোট অদুনা ইরাকিশিংগী মরক্তা পূন্না ঈং চিক্না লৈমিন্নবগী ফীভমদা অকিবা পোকহল্লি অমসুং মদু লমদম অদুগী ওইনা খুদোংথিনিংঙাই ওই। লমদম অদুদা ইরাক্কী লৈঙাক নমদুনা চৎনহনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# রিপব্লিকান সিনেটরনা দোনাল্ড ত্রম্পপু চৈ থাংখ্রে, রি-ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইরোই হায়খ্রে



ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সি) : য়ু এসকী রিপব্লিকান সিনেটর অমনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পপু অকনবা মওংদা চৈ থাংখিবগা লোয়নন্না রি-ইলেক্সন্দা মহাক মীরেপ ওইরোই হায়খ্রে।

অরিজোনাগী সিনেটর জেফ ফ্লেকনা হায়খি, য়ু এস গভর্ণমেন্টগী মকোক্তা লৈরগা অঙম অরাই খঙদবা, হঙ্গৈইনীংঙাই অমসুং ইকায়নীংঙাই ওইবা লমচৎ শাজৎ উৎপা হায়বসি দিমোক্রেসিদা খুদোংথীনিংঙাইনি। ত্রম্পনা মমাঙদা সিনেটর জেফপু ‘মহু চেল্লি’ হায়না ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট অসি অতোপ্পা রিপব্লিকান সিনেটর বোব কোর্করনসু মুক্নদুনা লৈরিবনি। সিনেটতা ৱা ঙাঙবদা মহাক্কী ৱারেপ্পু কনফার্ম তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফ্লেকনা অরিজোনা রিপব্লিক পাউচেদা হায়খি, হৌজিক্কী রিপব্লিকান ক্লাইমেট নৎত্রগা হৌজিক্কী রিপব্লিকান পার্টি অসিদা ঐহাক্কুম্বা রিপব্লিকান অমগী মফম লৈতবা য়াই।

হাউসকী ফ্লোরদা মখা তারদুনা মহাক্না হায়খি, প্রসিদেন্টবু ক্রিটিসাইজ তৌবা হায়বসি মহাক্কী অপান্বদি নত্তে তৌইগুম্বসুং মসি ‘মশাগী মথৌ অমসুং অচুম অরানগী ৱাফমনি।’ ঐখোয়গী দেমোক্রেটিক চৎন-পথাপশিং অমসুং ফিদমশিংবু চাং তাহনবা হায়বসি মতম খুদিংমক্তা ঐখোয়না নোর্মেলনি হায়বা য়ারোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না অচুম্বা নৎত্রগা ফজবা থীদবা, কৈশু নত্তবা কয়াগীদমক অমসুং অয়াম্বা মতমদা লন্নাই ওইবা ৱাফমশিংগী মতাংদা হালেংবা নাইদনা কাইহৌবগী থৌওংসি নুংনাংনীংঙাই ওই হায়খি।

ঐহাক ইচা ইশুশিংনা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুম খুমদবা য়ারোই। মরম অদুনা মিষ্টর প্রসিদেন্ট ঐহাক অসিগুম্বা থৌওংশিংবু য়ারগা চৎপা ঙম্লোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হ্বাইট হাওসকী প্রেস সেক্রেটরি সারাহ সেন্দর্সনা ফ্লেকনা রিজাইন তৌখিবসি তশেংনমক অফবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়নন্না মহাক রি-ইলেক্সন্দা মায় পাক্লোই হায়খি।

# পাকিষ্টান্দা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম লৈতে : পাকিষ্টানি লিদরশিং




ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সি) : পাকিষ্টান্না লৈবাক অসিগী লৈহাওদা টেররিষ্টশিংগী চঙজফম পীরি হায়বগী ইভিদেন্স কয়া লৈরবসু লৈবাক অসিগী তোপ ওফিসলশিংনা ইস্লামাবাদতা লাক্লিবা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসনগী মফমদা মখোয়গী টেরিটরিদা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম অমৎতা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

টেররগী মায়োক্তা চঙশিনবা লাঞ্জংদা থৱায় য়াওনা শরুক য়ারি হায়না থাজবা পীবগা লোয়নন্না প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খকন অবাসিনা হায়খি মদুদি, পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী এটেক অমৎতা থৌরাং তৌবা নৎত্রগা পাঙথোকপা লৈতে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইস্লাবাদতা হরাউ তয়াম্বা ইয়াও য়াওদনা ওকখিবা টিলরসন্না পাকিষ্টান্না লৈবাক অসিদগী হৌখিবা টেররিজম লাকশিন্নবা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়বা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী ৱাফম পাকিষ্টানি ওফিসলশিংদা মহাক্না খঙহনখি হায়খি।

টিলরসন্না পাকিষ্টান্দা লৈবাক অদুদা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্টশিং অমসুং টেররিষ্টশিং মুখৎনবগী থবক কনখৎকদবনি হায়না খঙহনখি। মদুগী পাউখুম ওইনা পাকিষ্টানি প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ঐখোয় টেররগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিংনি অমসুং ঙসি পাকিষ্টান্না মালেমদা টেররগী মায়োক্তা খ্বাইদগী চাওবা লাল শোক্লরি হায়বসি য়ু এসনা থাজবীগদবনি।

জি ও টি ভিগী ইন্টরভ্যু অমদা ফোরন মিনিষ্টর খৱাজা আসিফনা মখা তানা পাকিষ্টানি সিভিল অমসুং মিলিটরি লিদরসিপনা লৈবাক অদুনা টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংগী মায়োক্তা লৌরিবা ফিরেপকী মরমদা কূপ্না খঙহনখি।

টেররিষ্ট এটেকশিং পাকিষ্টানি লৈহাওদা থৌরাং তৌদে নৎত্রগা লৈবাক অসিদগী পাঙথোক্তে। পাকিষ্টান্দা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম অমত্তা লৈতে অমসুং মসি ঐখোয়না ঙসি য়ু এসকী দেলিগেসন্দা খঙহনখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হন্দক চয়োল খরসিদা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না পাকিষ্টান্দা অকনবা মেসেজ কয়া থাদুনা লৈবাক অদুদগী ওপরেট তৌরিবা টেরর আউটফিটশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎপগী থবকশিং কনখৎনবা তকশিনখিবনি। হাক্কানি নেটৱার্কপু থুপচিনবগী ৱাফম টিলরসন্না অমুক হন্না অখন্ননা পনখি। মহাক য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ইন্দিয়া পাঙখিগদবনি।

# য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা অনৌবা সেঙ্কসনগী বিল পাস তৌখ্রে



ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সি) : পিয়োংয়াংগা গ্লোবল ফাইনান্সিয়ল সিষ্টেমগা লৈনবা মরীশিং ককথৎনবগী পান্দমদা য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মথক্তা অহেনবা অথিংবা কয়া থম্বগী বিল অমা এপ্রুভ তৌখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা এপ্রুভ তৌখিবা বিল অদু ভোট ৪১৫না শৌগৎখি। শুপ্নগী ভোট অনীদুগী মায়োক্তা পীখি হায়না ঈফে ন্যুজনা ফোঙদোকখি। মদু নোর্থ কোরিয়াগী জেল অমদা চহী অমা হেন্না কোমাদা লৈরকখিবা মতুং হৌখিবা জুনদা লৈখিদবা অমেরিকান মহৈরোয় ওটো ৱার্মবিঅরগী মমিং লৌরদুনা থোনখি।

লেজিসলেসন অদুনা য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রেজরিদা নোর্থ কোরিয়াগা বিজনেস তৌমিন্নবা মপানগী ফাইনান্সিয়ল ইন্সটিট্যুসনশিংগী একাউন্টশিং ফ্রীজ তৌনবা খঙহল্লি।

বেঙ্কশিং অদুনা হৌজিক নোর্থ কোরিয়ন গভর্ণমেন্টবু মতেং পাঙবা অমসুং মখোয়বু শৌগৎপা নৎত্রগা অমেরিকা অমসুং মসিগী মীচংশিংগা ঈং চিক্না লৈমিন্নবগী মরক্তা খনগদবনি হায়না বিলদুগী ওথর ওইরিবা রিপব্লিকান এন্দি মরনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হাউসকী দিবেট অমদা হায়খি।

ফোরন বেঙ্কশিংনা নোর্থ কোরিয়ানা কান্নগদবা বিজনেস তৌবা নৎত্রগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা বিজনেস তৌবা য়াই। তৌইগুম্বসুং অনীমক তৌবদি য়ারোই হায়না ফোঙদোকখি। মখা তারদুনা মহাক্না হৌজিক লৈরিবা অথিংবশিংদুনা পিয়োংয়াংনা গ্লোবল ফাইনান্সিয়ল সিষ্টেমগী কান্নবা লৌনবা হোৎনবশিং মপূং ফানা মাঙহনবা ঙমদে হায়খি।

হৌখিবা থাদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা নোর্থ কোরিয়াবু শেল থুমগী লমদা ফীভম শোকহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা পেকেজ অমা এপ্রুভ তৌখি। মদুদা লৈবাক অদুদা পেট্রোলিয়ম অমসুং বাই প্রদক্ট থাজিনবগী চাংদা ঙমখৈ থম্বা অমসুং লৈবাক অসিগী টেক্সটাইলস এক্সপোর্ট থীংবা য়াওরি।

য়ু এসকী এষ্টিমেটশিংগী মতুং ইন্না, হান্নগী সেঙ্কসনশিং অমসুং অনৌবা সেঙ্কসনশিং অসিনা নোর্থ কোরিয়াবু দোলর বিলিয়ন ২.৭ নৎত্রগা মপান্দা য়োনবা শেনফম অপূম্বগী চাদা ৯০ রোম মাঙহনগনি।

# কেনিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা মীখলগা মরী লৈনবা কেসকী হিয়ারিং তৌখিদ্রে




নাইরোবি, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সি) : শগোলশেন নুমিৎতা অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা কেনিয়াগী প্রসিদেন্টকী মীখল থিন্থনবা থারকখিবা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টনা হিয়ারিং তৌবা ঙমদ্রে হায়না কেনিয়াগী চীফ জষ্টিশনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ জষ্টিশ দেভিদ মারাগানা হায়খি মদুদি, কেস অদু হিয়ারিং তৌনবা কোর্ট অদুগী জজ তরেৎকী মনুংদগী মতিক চাগদবা জজ মশীং শুনা লৈত্রে। দেপ্যুটি চীফ জষ্টিশ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা মহাক্কী বোদিগার্দ কাপখিবদগী হিয়ারিংগীদমক ফংখিদে।

কেনিয়াগী ইলেক্সন কম্মিসনগী মকোক ৱাফুলা চেবুকাতিনা হৌজিক মীখল অদু হান্না থৌরাং তৌখিবগুম্না পাঙথোক্লগনি হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। হৌখিবা ওগষ্টতা পাঙথোকখিবা লৈবাক অদুগী মীখলগী রিজল্টশিং চৎনবা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা জজ ৪-২গী মেজোরিটিগা লোয়নন্না লাউথোকখি। এপেক্স কোর্টনা মীখল অদু ‘অরান অহুই অমসুং লোনা য়াদবা থৌওং কয়া য়াওখি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মীখলগী রিজল্টশিংদু চৎনহনখিদবনি। অনীশুবা টর্ম অমা পায়নবা হোৎনরিবা প্রসিদেন্ট উহুর কেনয়াতানা ভোট অদু হান্না লেপখিবগুম শোয়দনা পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

কোরম অমা ফাহন্নবগীদমক্তা জজ মঙা লৈবগী তঙাইফদবা ফীভম লৈরিবদুদা মারাগানা হায়খি মদুদি দেপ্যুটি চীফ জষ্টিশ ফিলোমেনা মৱিলু কোর্ট কারকপা ঙম্বগী ফীভম লৈতে। মহাক্কী বোদি গার্দতু নাইরোবি হোস্পিটালদা ত্রিটমেন্ট তৌরি।

মারাগানা পার্টি খুদিংমক্তা হিয়ারিং পাঙথোকখিদবগী ঙাকপীনবা হায়জখি। মসি মালেম পূম্বদা মরু ওইনা অফ্রিকাদা হন্দক্তা জুদিস্যারিনা নীংতম্না মথৌ তৌবগী লমজিং মৈরানি হায়না থাগৎনখিবা ইন্সটিট্যুসন অমদা পীবা অচৌবা চৈথেং অমনি হায়না লৌনরি।

কেনিয়াগী সুপ্রিম কোর্টকী জজগী বোদিগার্দ অদু ৱাথোক ওইরবা প্রসিদেন্টগী মীখল থিনথগদ্রা হায়বগী মতাংদা জজমেন্ট পীগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা নোংমৈনা কাপখিবনি।

# রসিয়ানা অনৌবা জেনরেসনগী ন্যুক্লিয়র মিসাইল চাংয়েং তৌরগনি




মোস্কো, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সি) : রসিয়ানা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা অনৌবা জেনরেসনগী ন্যুক্লিয়র খূৎলায় পুগদবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল (আই সী বি এম) চাংয়েং তৌরগনি। আই সী বি এম অদু শুপ্নগী ষ্ট্রাইক অমনা য়ু এসকী দিফেন্সিব সিল্ডদা ফাওজিনবা ঙমগদবা মতিক ময়াই চেল্লি হায়না রসিয়ানা ক্লেম তৌরি।

সাটাল ২ ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল হায়না মীংথোনবা আই সী বি এম অদু মেগাটন ৪০গী ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ দজন অমরোম ষ্ট্রাইক তৌবা ঙমই। মদু কুমজা ১৯৪৫দা হিরোসিমা অমসুং নাগাসকিদা থাদখিবা এটম বোমশিংদুদগী শরুক ২০০০ হেন্না মতিক ময়াই চেল্লি।

সাটান ২ মিসাইলগী চাংয়েং অসি মিসাইল অসিগী প্রোব্লেম খরনা মরম ওইদুনা কয়ারক হন্না থীন্থখি। লোঞ্চ অদু চহী অসিগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কনি। টেষ্ট লোঞ্চ অদুগী পান্দমদি মিসাইল অদুনা সাইলোদগী থোক্লকপগী পার্ফোমেন্স অমসুং সার্মাটকী অহানবা ষ্টেজগী এক্টিভেসন অমসুং মতুং তাবা ফ্লাইট য়েংশিনবনি। খূৎলায় অদু সার্ভিসতা শীজিন্ননবা খন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা চাংয়েং কয়া পাঙথোকখিগনি হায়রি।

টন ১০০গী খূৎলায়শিং অদু য়াম্না ঙন্না কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা সার্ভিসতা চঙবা য়াই অমসুং মখোয়না দিফেন্স খুদিংমকপু লাকহৎপা ঙমই হায়না রসিয়ানা ক্লেম তৌরি।

# কটরগী ক্রাইসিস লোইশিন্নবা য়ু এসনা খূৎ থিংজিনবা য়াবগী ফীভম লৈরে



ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সি) : কটর অমসুং মিদল ইষ্টকী অতৈ লৈবাক মরিগী মরক্তা কন্না মুক্নবগী ফীভম অমা লৈরিবদু লোইশিন্নবা গল্ফকী লৈবাকশিংনা দোনাল্ড ত্রম্পবু খূৎ থিংজিনহন্নীংলি।

গল্ফ লমদমদা য়ু এসকী মরু ওইবা মীচংশিং চেন্নবা থা মরি শুরক্লবা মুক্নবগী ফীভমদুনা কটরবু ইরানগা মরী হেন্না নকশিন্নহনখিবা য়াই হায়না য়ু এসনা নুংনাংলিবনি। য়ু এসকী মরু ওইবা মিদল ইষ্টকী মিলিটরি বেজ কটরদা থমই।

ৱাশিংটন্না রিজনেল মিদিয়েটর ওইরিবা কুৱেটকী শেইখ সাবাহ অল-অহম্মদ অল-সাবাহদা মুক্নরিবা পার্টিশিংবু দিসেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা গল্ফ কোওপরেসন কাউন্সিলগী সম্মিটতা উনহন্নবা তকশিনবগী অতোপ্পা তাঞ্জা অমা পীরবা য়াই হায়না থাজনরি।

ঐখোয়না রিজোল্যুসন অমত্তগী টর্মশিং দিক্টেট তৌরোই। তৌইগুম্বসুং ঐখোয় পার্টিশিংনা পাম্বা মওংদা হরাউনা শরুক য়াবা য়াই হায়না য়ু এসকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট টিম লেন্দরকিংনা থা অসিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, অমনা অমবু হুন্না ঙাঙনবা অমসুং ইকায়বা পীনবা য়াওনা য়েৎনবগী ফীভমদুগা মরী লৈননা ঙাঙনা শক্লরিবশিং অদুনা মরম ওইদুনা ৱা ঙাঙনবা লেপ্পনবা ৱারী শানবগী প্রিকন্দিসন অমা ওইহল্লি। হৌজিক হৌজিকমক গল্ফকী লিদরশিংগী মরক্তা অমগা অমগা থাজনবা হন্থরকপগী ফীভম লৈরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মতম অমদা অরোন অথুপকী থবক কয়া তৌনখিবা মোনার্কিশিংনা সোসল মিদিয়াগী খুত্থাংদা অমগা অমগা হুন্নরকখিবগা লোয়নন্না ঈ-মেলশিং হেক তৌবা, অরোনবা টেপশিং, শেমজিনবা পাউশিং অমসুং কন্সপিরেসিগী থিওরিশিং শন্দোকপা হেল্লকখি।

আরব ষ্টেট মরি হায়বদি সাউদি অরাবিয়া, য়ু এ ঈ, বেহরেন অমসুং ইজিপ্টনা কটরদা ঈরাং থোকহন্নবা নৎত্রগা লৈবাক অসিগী এমির টামিন বিন হামাদ অল-থানিগী মায়োক্তা কূ অমা পাঙথোক্লবা শরু কয়া লাংখিবদা অরেম্বা তাখি।

কটরগী মায়োক্তা লৈবাক মরিনা অথিংবা কয়া থম্বনা লৈবাক অদুগী কটরি ২৫০,০০০বু মৱৈবাক নুংশিবগী ৱাখল পোকহল্লে হায়রি।